# ম্যান্মারগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা প্রেসর পীন্নরক্লি



য়ু এন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :
রাইট গ্রুপ অমদি এক্তিভিষ্ট কয়ানা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসনদা ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী থবক থৌওংশিং অথুবা মতমদা লোয়শিনহন্নবা তকশিল্লক্লি।

এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন অসি এসিয়াদা লৈবাকশিংগী অপূনবা ফোরম অমনি। ফোরম অসিনা লৈবাক লৈবাকশিংগী ওইবা লনাই থবক থৌরমশিংদা ঙসি ফাওবা খূৎ থিংজিনবা তৌদ্রি। অদুবু ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসিদদি ম্যান্মার মীয়ামগী মীনুংশি য়েংলগা খূৎ থিংজিনবগী মতম ওইরে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জকার্টাদা এসিয়ন লৈবাকশিংগী ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোক্কদৌরি। পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অসিদা মরু ওইনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা মীয়াম্না শেমখিবা লৈঙাক ইন্থুরবা মতুং মিলিটরি জুন্টা লৈরকখিবদগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অদুগী মতাংদা খন্নগদৌরি।

মিলিটরিনা পৱার পায়শিনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মিলিটরিগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম্না ম্যান্মার মিলিটরি অমসুং পুলিসশিংনা অতম্না নোংমৈ কাপ্পুনা হাৎপগী থবক চথরি হায়না য়ু এনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন্তোনিও গুটর্সনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সনা খুদক্তগী খূৎ থিংজিন্দুনা ৱাথোক অদু লোয়শিনহনগদবনি হায়রি।

থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টনসু মখোয় মখোয়গী ফোরেন মিনিষ্টরশিং এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা থাদুনা ম্যান্মারদা থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। ম্যান্মারগী ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি মতম চানা লোয়শিনহৌদ্রবদি তুংদা মীশি মীনা কয়া থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। মরম অদুনা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা মীৎয়েং চঙলকপা ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা এসিয়া লৈবাকশিংগী ওইবা এসোসিয়েসন অসিনা ম্যান্মারগী ৱাথোক্তা খূৎ থিংজিনগদবনি হায়রি।

# লিবিয়াদা থোকখিবা হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা মাইগ্রেন্ট ১০০ হেন্না শিরম্বা য়াই চিংনরি

ট্রিপোলি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা লিবিয়াদা মাইগ্রেন্টশিং পুদুনা লাকখিবা রব্বরনা শাবা হি অমা ঈশিংদা লাকশিনবগী থৌদোক্তা মীওই ১০০ রোম হেন্না শিরম্বা য়াই হায়না লিবিয়ন ওথোরিটিশিংনা থাজনরি।

য়ুরোপিয়ন হ্যুমেনেটেরিয়ন গ্রুপ এস ও এস মেদিটেরানিনা লাইবকথিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মীওই ১৩০ পুদুনা লাকখিবা হি অদু হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা লিবিয়াগী ইন্তরনেস্নেল ৱাটরগী শরুক্তা লাকশিনখিবনি। মার্চেন্ট ভেসেল অহুম থৌদোক থোকফমদা থাজিন্দুনা হৌজিক হৌজিক মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রেস্ক্যু ৱার্করশিং অদুনা অশিবা হকচাং অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। রেস্ক্যু ৱার্করশিং অদুনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লুবা মতমদা মীওই ১০ দি মথক মখা ওনখ্রবা হি অদুগী মথক্তা লৈরম্বা থেংনখি হায়না সর্স এন্দ রেস্ক্যুগী কোওর্দিনেটর লুইশা অলবেরানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু শিরম্বা য়ারে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দসু অফ্রিকাদগী মাইগ্রেন্ট কয়া য়ুরোপতা চৎনবা হোৎনখি। মদুদসু মাইগ্রেন্ট লীশিং ২০,০০০ হেন্না শিহনখি। মাইগ্রেন্টশিং অদুনা সেন্ত্রেল মেদিটেরানিয়ন লম্বীদা ফাওদুনা চৎনবা হোৎনরি। মালেমগী ওইনা সেন্ত্রেল মেদিটেরানিয়নগী লম্বী অসি খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না য়ু এন লাউথোকপা লৈখ্রে।



হৌখিবা চহী খরা অসিদা লিবিয়া অসি মাইগ্রেন্টশিংগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা লমথুংফম অমা ওইরি। লিবিয়াদা হৌজিক হৌজিক অতোপ্পা মফমশিংদগী লাকপা মাইগ্রেন্ট অমসুং রেফ্যুজি মিল্লিয়ন ৩ রোম লৈরি। অমরোমদা লিবিয়াদা হ্যুমেন ওর্গান লল্লোনবগী থবকসু পাক শন্না চথরি। লিবিয়ান গভর্ণমেন্টনা লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং তৌবা মীওইশিং অদু ফানবা হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মপুং ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

মাইগ্রেন্টশিংনসু খুদোংথিবা থোকপা য়াই খঙনা খঙনা মশক মমিং খঙদবা ব্রোক্করশিংগী খূত্থাংদা অতোপ্পা মফম অমদগী অতোপ্পদা চৎনবা হোৎনরি। লিবিয়াদা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুগী য়েংলগা হৌজিক ফাওবদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না লৈবাক অদুদা য়ুরো মিল্লিয়ন ৩২৭.৯ খূৎশিন্নখিবা লৈখ্রে। য়ু এনগী মায়কৈদগীসু লিবিয়াদা মতম মতমগী ওইবা মতেং পীদুনা লাক্লি।

সেন্ত্রেল মেদিটেরানিয়নগী ঈশিংগী লম্বী অসি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি। অদুমওইনমক হায়রিবা মফম অসি ফাওদুনা মাইগ্রেন্ট পুথোক পুশিন তৌবা হি কয়ানা শিবা কিদনা মথৌ তৌরি। ঈশিংগী লম্বী অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা হি লুপ্পগী থৌদোক্তা মীওই মিল্লিয়ন ১.২ রোম শিখ্রে। ঙরাংগী হি লাকশিনবগী থৌদোক অদুদসু মদুদা তোংখিবা মীওই অয়াম্বা শিরম্লগনি হায়রি।

# নভালনিবু খুদক্তা চরা হেনবা তোক্লবা তকশিনখ্রে

মোস্কো, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী) :
রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থম্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা অদু খুদক্তগী তোক্লবা মহাক্কী প্রাইভেট ডোক্তরশিংনা তকশিনখ্রে হায়রি।

কারদিওলোজিস য়ারোসলাভ অসিবমিন অমদি অতোপ্পা ডোক্তর মরিনা নভালনিনা চঙশিল্লিবা চরা হেনবগী খোঙজং অদু খুদক্তা লেপত্রবদি মহাক্কী হকচাংগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়াই অমদি মতম অমদা হেক্তা মহাক শিবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। চয়োল অহুমলোম চরা হেল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা রুসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী ওপোন্টেতা লৈরিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনিগী হকচাংগী অরুম্বগী ফীভম কা হেন্না হন্থখ্রে।

মশাগী চহী ৪৪ রোম শুরবা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিবু অফবা হোস্পিটাল অমদা পুদুনা ট্রিটমেন্ট চথনবা মহাক্কী লোয়র অমদি ডোক্তরশিংনা জেল ওথোরিটিশিংদা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রে। অদুবু জেল ওথোরিটিশিংনা নভালনিবু অফবা হোস্পিটালদা পুদুনা ট্রিটমেন্ট চথবগী মতাংদা পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু রুসিয়াগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা এলেক্সে নভালনিবু জেলদগী থাদোরক্নবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং চঙশিনখি। রুসিয়ন ওথোরিটিনা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা নভালনিগা নক্নবা মীওই খরা নুমিত্তুদা ফাজিন্দুনা থমখি।

# কেমিকেল ৱ্যেরহাউস মৈ চাকপগী থৌদোক্তা ৪ শিরে

ধাকা, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী) :
বংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবা কেমিকেল ৱ্যেরহাউস অমা লৈ চাকপগী থৌদোক্তা নুপী অমা য়াওনা মীওই মরী শিরে অদুগা ২৩ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

ওল্ড ধাকাগী অর্মানিতোলা এরিয়াদা লৈবা বিল্ডিং অদু ঙসি অয়ুক অঙনবা পুঙ ৩ লোম তারকপদা গ্রাউন্দ ফ্লোরদগী চাকপা হৌরকখিবনি হায়না ফয়ার সর্বিসগী ওফিসল মহফুজ রিবেননা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা গ্রাউন্দ ফ্লোরদা মৈচাক ফবা পোৎ চৈ কয়া থম্ফম ওইবনা মরম ওইরগা মৈ অদু অকনবা মওংদা চাক্লকখিবনি।

মৈ চাকপগী পাউ অদু হেক ফংবগা ফয়ার সর্বিস ২০ মফম অদুদা থৌজিন্দুনা মৈ কনবগী থবক চথখি। অয়ুক পুঙ ৬ লোম তারকপদা ফয়ারমেনশিং অদুনা মৈ অদু মপুঙ ফানা কন্ত্রোল তৌবা ঙমখি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখ্রবা অমদি শিখ্রবা মীওইশিং অদু হৌজিকমক্কী ওইনদি মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা অমদি বিল্ডিং অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈবা সেক্যুরিটি গার্দনি হায়রি।

মৈ অদু অকনবা মওংদা চাকখিবনা মরম ওইরগা মৈ কনবগী থবক্তা শরুক য়াখিবা ফয়ারমেন খরসু অশোক অপন নংখি হায়না বংলাদেশ ফয়ার সর্বিসকী দিরেক্টর জেনরেল এম দি সজাদ হুসেইননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মৈহৌ লাংপোক অদু মতৌ করম্না থোরকখিবনো হায়বগী মতাংদা কুপ্না থিজিনবা হৌরে হায়রি।

# য়ু এসনা ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক মরিদা য়ু এস সিটিজেনশিং চত্তনবা চেকশিন ৱা থমখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী) :
য়ু এসনা লৈবাক অদুগী সিটিজেনশিংদা ইন্দিয়া, পাকিস্তান, বংলাদেশ অমসুং অফঘানিস্তানদা চত্তনবা অকনবা চেকশিন ৱাশিং থমখ্রে হায়রি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা কোভিদ-১৯ অনৌবা ভেরিয়ন্ট অমনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাকশিং অসিদা চত্তনবা য়ু এস সিটিজেনশিংদা গভর্ণমেন্টনা খঙহনখিবনি।

হায়রিবা লৈবাক মরি অসি খক্তা নত্তনা মালদিপ, চাইনা অমসুং নেপালদসু য়ারিবমখৈ চত্তনবা খঙহনখ্রে। এসিয়াগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লি। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা লৈবাক অসি য়ু এসনি। মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা অকনবা চৈথেং পীহল্লত্তনবা পান্দমদা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা য়ু এস



সিটিজেনশিং চত্তনবা খঙহনখিবনি।

হ্বাইট হাউসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী কেস হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা লাক্ষ অহুম হেন্না থেংনখি। মসি মীয়াম্না তরাইনা লৌরোইদবনি। ইন্দিয়াদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরায়ন্ট অসি হান্নদগী হেন্না মপাঙ্গল কল্লি অমসুং শন্দোকপগী চাং য়াম্না থুই। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানদা কোভিদ পেন্দামিক মরক্তা চৎপদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবা অসিগী মথক্তা টেরোরিষ্টকী ওইবা থবক থৌওং কয়াসু লৈবাকশিং অদুদা চথবনা মরম ওইরগা মতম খরদি য়ু এস সিটিজনশিংনা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা চৎলোয়দবনি। পাকিস্তানদসু হৌজিক হৌজিক লালহৌবশিংনা য়াম্না তোয়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চথদুনা ঙাইহাক লৈতনা মীয়ামদা অকি অখং পোকহল্লি।

# নুমিৎ নীনিগী মমাংদা মাঙখিবা ইন্দোনেসিয়ন সব মেরিন থিবগী থবক মখা তানা চথরি

বালি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ত্রেনিং এক্সরসাইজ অমদা শরুক য়াখিবা ক্রু মেম্বর ৫৩ তোংখিবা ইন্দোনেসিয়ন সব মেরিন অমা মফম খঙদনা পাউফাওনখিদবা অদু ফাওন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা সব মেরিন অদুবু থিবগী থবক মখা তানা চথরি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটনসু বালিদা মাঙখিবা সব মেরিন থিবগী থবক অদুদা মতেং পাংশিল্লক্লি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ ইন্দোনেসিয়ন মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা ঈশিংগী ঈমায়দগী মিটর ৫০ দগী ১০০ ফাওবা লুবা মফমদগী মশক খঙদবা ওবজেক্ট অমগী সিগনেল ফংবা ঙমখ্রে। সোনা ত্রেক্কিং ইক্কুইমেন্ট য়াওবা জহাজশিং মফম অদুদা থাজিনখ্রে। হৌজিক ইন্দোনেসিয়ন ওথোরিটিনা খ্বাইদগী হেন্না পাখৎলিবদি সব মেরিন অদুদা য়াওখ্রিবা ওক্সিজেন অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবা ফাওবদি চৎকনি। মদুদগী হেন্দোকখ্রবদি সব মেরিন অদুদা তোংলিবা ক্রু মেম্বরশিং খুদোংথিবা থোক্লবা য়ানা লৈরি।

ইন্দোনেসিয়ন ওথোরিটিশিংনদি অহানবগী ওইনা সব মেরিন অদু সমুদ্রগী ঈমায়দগী মিটর ৭০০ লোম লুবা মফম অমদা লৈরম্বা য়াই হায়না পানখিবনি। জর্মননা শাবা সব মেরিন অদু লাইব টেরপিদো এক্সরসাইজ অমদা শরুক য়াখিবনি। অদুবু খঙহৌদনা লৈমায়দা লৈরিবা ওথোরিটিশিংগী সব মেরিন অদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা সিগনেল মাঙখিবনি।

ইন্দোনেসিয়াগী য়ুমথনরিবা লৈবাক সিঙ্গাপুর অমসুং মালেসিয়ানসু মাঙখ্রবা ইন্দোনেসিয়ন সব মেরিন অদু থিবদা মতেং পাংলি। ইন্দিয়াগী ওইনসু বালি কোসতা চথরিবা থি হুম্বগী থবক্তা মতেং পাংনবগীদমক জহাজ অমা থাখ্রে হায়রি।

# বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস ক্রুপ বেজদা রোকেট ৩ কাপশিল্লকখ্রে ইরাক্কী লান্মী অমা শোকখ্রে



বাঘদাদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :
ইরাক্কী কোনুং বাঘদাদতা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিংগী বেজদা ঙসি রোকেট অহুম কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখ্রে হায়না সেক্যুরিটি সোর্ছশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা এটেক অদুদা ইরাক্কী লান্মী অমা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

টেহরান অমসুং ৱাশিংটনগা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা ঙসিগী এটেক অদু চথরকখিবনি। ইরাক্তা লৈবা য়ু এস ক্রুপশিং অমদি ইরাক্কী ক্রুপশিংনা বাঘদাদকী এয়র বেজ অমদা পুন্না কেম্প তৌদুনা লৈরি। এন্তি জিহাদিস কোলিসনগী শরুক অমা ওইনা য়ু এস লান্মীশিং মফমদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা থম্বনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু বাঘদাদকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা এয়র বেজ অমদা রোকেট ৫ কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখি। এটেক অদুদা ইরাক্কী লান্মী অহুম য়াওনা ফোরেন কন্ত্রেক্তর অনী শোকখি।

ঙসিগী এটেক অদু কনানা চথখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুবু য়ু এসকী মায়কৈদগী ঙসিগী এটেক অদু ইরানগা মরী লৈনবা ইরাক্কী ফেক্সনশিংনা চথরকখিবনি হায়না ব্লেম তৌরক্লি। য়ু এসতা জো বাইদেননা পৱার পায়খ্রবা মতুং ইরাক্তা লৈবা য়ু এস ক্রুপশিংগী বেজশিংদা বোম অমদি রোকেট শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা ২৩ রক শুখ্রে। ইরানগা মরী লৈনবা ইরাক্কী ফেক্সনশিংনা য়ু এস ক্রুপশিংদা এটেক চথবগী থবকশিং চহী কয়াগী মমাংদগী তৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহীদসু ইরাক্কী ফেক্সন গ্রুপ অসিনা এটেক চথদুনা ফোরন কন্ত্রেক্তর অনী, ইরাক্কী কন্ত্রেক্তর ১ অমসুং ইরাক্কী সিভিলিয়ন ৮ হাৎখিবগী থৌদোক লৈখ্রে।

# কনাদানা, ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌগদৌরি

কানাদা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কা হেন্না শন্দোরক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা কনাদানা মখোয়গী ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলদা পাইগদবা অমদি পাইরক্কদবা ফ্লাইটশিং সস্পেন্দ তৌরবা য়ানা লৈরি হায়না সেনিয়র মেদিকেল ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদেনো চয়োল অসিগী অঙনবদা ইন্দিয়াদগী লাকখিবা মীওই খুদিংমক নুমিৎ ১০ ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে। কানাদা ঙমখৈগী শরুক অয়াম্বসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদা তংতাবা অমা খঙবা ঙমদ্রিবমখৈ থিংজিনবা হৌরগনি হায়রি।

# পোলিটিসিয়নশিংনা ক্লাইমেট ক্রাইসিসকী মতাং কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগনি হায়না হংলক্লি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :
মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা পোলিটিসিয়নশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাং অসিবু থওই ৱাওইদবা উত্তুনা তুমিন্না লৈথোক্লিবা অদুবু ইনভারোনমেন্টেল কেম্পেনর গ্রেটা থনবর্গনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ক্লাইমেট ক্রাইসিসকী থৌদোক অসি পোলিটিসিয়নশিং অসিনা কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগনি হায়না হংলক্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ক্লাইমেট সম্মিটতা মশাগী চহী ১৭ রোম শুরবা গ্রেটা থনবর্গনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা মহৌশাগী শক্তম কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা লেপ্পা লৈতনা থুগাইনবা হোৎনরি।

মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা শক্তি লৈরবা লৈবাকশিংনা হোৎনদুনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী থৌওং থিংনবা হোৎনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। চহী নৌরিবা মহৈরোয় কয়ানা লৈবাক লৈবাকশিংদা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎলো হায়দুনা খোঙজংশিং চঙশিনবা লেপত্রি। মালেমদা লৈরিবা মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা মতম খরগী ওইনদি ক্লাইমেট চেঞ্জতগী নাম্বোক্তুনা চেনবা য়াগনি। অদুবু তুং কোয়না হায়রিবা অসি ওইথোক্লোই। মরমদি চহী খরগী মতুংদদি মালেমসিদা থৱায় পানবা জিব লৈবা ঙম্লক্করোই।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিং, রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনদি কার্বোন ইমিসনগী চাং হন্থহল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে। অদুবু লৈবাক অহুম অসিনা ইমিসনগী চাং হন্থহনবনা গ্লোবেল ৱার্মিং থিংবা ঙম্লোই হায়না গ্রেটানা মখা তাখি।

# মেক্সিকোদা ঈকং থোকপদগী মীওই কয়া তংদু লৈতানা লৈবা ঙম্নদ্রে: সিটি মেয়র



মেক্সিকো, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :
মেক্সিকোগী পাক চাউবগী শরুক ১০০ গী মনুংদা ৮৫ দি পাক্তননা ঈকং থোকখিবগা লোয়ননা পাৎ অমদি ৱাটর রিজাভর কয়া তপ্না তপ্না কংশিল্লকপদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম মীপায়বা পোক্লখিবগা লোয়ননা তংদু লৈতানা লৈবা ঙম্নদ্রে হায়না মেক্সিকোগী সিটিগী মেয়র ক্লাউদিয়া সৈনবাওনা ফোঙদোরক্লি।

মেয়র অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মেক্সিকোদা হৌখিবা চহী ৩০ রোম অসিদা থোকখিবা ঈকংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইরি। লৈবাক অসিগী মরু ওইবা পাৎশিং কংশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদসু মীপায়বা পোকহল্লে।

লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা ৱাটর রিজভর ভিলা ভিক্তোরিয়াদা লৈরিবা ঈশিংগী শরুকসু অহুম থোকপগী মনুংদা অমরোমতমক ঙাইশিল্লক্লে। মে থা ফাওবগী মনুংদদি রিজভর অদুগী ঈশিংসু লোইরগনি। করিগুম্বা মরক অসিদা কুমগী নোংচুরক্তবদি মেক্সিকোদা অকিবা ফংলবা মশক অমা ওইহল্লকপা য়াই।

নোংম নোংমগী ঈশিং লেপ্পা লৈতনা কংশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিং খক্তা নত্তনা ঈশিংদা শৈদাংদুনা হিংলিবা অপিকপা জিবশিংসু খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মরু ওইবা পাৎ খরদা ঙাশিং শিদুনা লৈকংদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনবা হৌরে।

পাৎ অনীদি মপুং ফানা ঈশিং কংখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা পাত্তা চত্তুনা ঙা ফারগা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন হল্লে। লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা পাৎ ওইরিবা ক্যুইটজিওসু হান্না লৈরম্বা ঈশিংগী শরুক্তগী চাদা ৭০ গী চাংদা হন্থখ্রে।

অমরোমদা মেক্সিকোগী গভর্ণর সিলভানো ঔরোনা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না ঈশিং মাঙহন্দনা নীয়ম চুম্না শীজিন্নগদবনি। অকিবা ফংলবা ঈকং অমা লৈবাক অসিদা থোক্লবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈবনা মরম ওইরগা ঈশিংবু অরেম্বদা মাঙহল্লোয়দবনি। লৈবাক অদুদা লৈরিবশিংনসু পাৎশিংগী মপান্দা উহৈ ৱাহৈ অমদি মনা মশীং থাবগী থবক চথবা হৌবা য়ারে হায়রি।

## কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 40,90,000+67,013 | 33,30,000+62,298 | 62,479+568 |
| Kerala | 13,20,000+26,995 | 11,60,000+6,370 | 5,028+28 |
| Karnataka | 12,50,000+25,795 | 10,40,000+5,624 | 13,885+123 |
| Tamil Nadu | 10,40,000+12,652 | 9,35,000+7,526 | 13,317+59 |
| Andhra Pradesh | 9,97,000+10,759 | 9,23,000+3,992 | 7,541+31 |
| Uttar Pradesh | 9,77,000+34,254 | 7,06,000+16,514 | 10,541+195 |
| Delhi | 9,56,000+26,169 | 8,52,000+19,609 | 13,193+306 |
| West Bengal | 7,01,000+11,948 | 6,21,000+6,590 | 10,766+56 |
| Chhattisgarh | 6,06,000+16,750 | 4,77,000+17,739 | 6,674+207 |
| Rajasthan | 4,68,000+14,468 | 3,57,000+3,618 | 3,389+59 |
| Madhya Pradesh | 4,59,000+12,384 | 3,69,000+9,620 | 4,863+75 |
| Gujarat | 4,54,000+13,105 | 3,56,000+5,010 | 5,877+137 |
| Haryana | 3,91,000+9,742 | 3,29,000+6,512 | 3,583+55 |
| Odisha | 3,88,000+6,164 | 3,54,000+2,165 | 1,965+7 |
| Telangana | 3,79,000+6,026 | 3,25,000+3,052 | 1,928+29 |
| Bihar | 3,66,000+11,489 | 2,94,000+5,308 | 1,956+59 |
| Punjab | 3,20,000+5,450 | 2,71,000+3,657 | 8,189+75 |
| Assam | 2,31,000+1,931 | 2,18,000+398 | 1,160+10 |
| Jharkhand | 1,85,000+7,595 | 1,42,000+2,373 | 1,715+106 |
| Jammu and Kashmir | 1,54,000+1,965 | 1,36,000+791 | 2,092+8 |
| Uttarakhand | 1,38,000+3,998 | 1,09,000+1,892 | 1,972+19 |
| Himachal Pradesh | 82,876+1,774 | 69,763+690 | 1,254+18 |
| Goa | 72,224+1,410 | 61,032+461 | 964+21 |
| Puducherry | 50,580+987 | 43,931+464 | 726+4 |
| Chandigarh | 36,404+634 | 31,704+482 | 427+4 |
| Tripura | 34,302+40 | 33,345+77 | 394 |
| Manipur | 30,047+86 | 29,153+25 | 381+1 |
| Arunachal Pradesh | 17,296+110 | 16,860+9 | 56 |
| Meghalaya | 15,488+180 | 14,198+68 | 157 |
| Ladakh | 12,937+198 | 10,761+131 | 135+1 |
| Nagaland | 12,800+53 | 12,322+16 | 94 |
| Sikkim | 6,970+124 | 6,193+19 | 137+1 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 5,910+238 | 4,238+88 | 4 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,527+37 | 5,309+33 | 65+1 |
| Mizoram | 5,220+62 | 4,600+24 | 12 |
| Lakshadweep | 1,671+336 | 867+34 | 1 |